লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা রিটায়র্দ আই এ এস ওফিসর খ্বাইরাকপম রঘুমনিনা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়গী য়ুমথোঙ ৩৫০ রোমদা চৎতুনা মীয়ামগা ইন্টরেক্সন তৌখিবা

চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর মণিপুরগী ওফিসনা শীন্দুনা ক্লাসিক গ্রান্দেগী ইম্পিরিয়ল হোলদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল এস ভি ঈ ঈ পি কন্সল্টেসন ৱার্কশোপতা ভোটর হেল্পলাইন এপকী মরী লৈনবা ভিদিও লোঞ্চ তৌখিবা

ন্যু এজ গ্লোবেল গার্দেন ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা লমদম অসিদা লৈরিবা নহা ওইরিবা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংদা মতৌ করম্না ঙাকিজৌ য়োক্কদগে হায়বগী মতাংদা পাঙথোকখিবা ট্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিং

ওইনাম এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা শেম-শারিবা বি জে পি কিষান মোর্চাগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ জিবোনগী মীৎয়েং মখাদা মীয়ামগীদমক ঈ-শ্রম কার্দ অমদি আয়ুশমান ভারতকী হেল্থ কার্দ শাখিবগী থৌরম

অথিংবা পীবীগনু

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর থিংলবসু য়ুমথংনরিবা ম্যান্মারগী তমু টাউনদা লৈরিবা ইমা-ইবেল কয়ানা মোরেদা এন্সাং-নাপী য়োনবা লাকপদা অথিংবা পীবীগনু হায়না মৈতে কাউন্সীল মোরেগী এদভাইজর এন ফুলিন্দ্রোনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা হায়খি, মোরেদা লৈরিবা মীয়াম ম্যান্মারদা তাঙজদুনা হিংলিবনি হায়বা য়াই। বোর্দর লানশিল্লকপদা নীংথিনা চেক তৌরবা এন্সাং-নাপী মোরেদা পুশিল্লকপা ওইরবদি অথিংবা পীহন্নিংদে। মণিপুর পুম্বা বন্দ তৌরগসু ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর থিংদ্রবদি মোরেদা লৈরিবা মীয়াম থোইদোক্লা অৱাবা মায়োক্লদে লোয়ননা চৈথেং ফংদবা মাল্লি। মণিপুরদা হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা মোরেদা লৈরিবা মীয়ামগী খনবীদুনা মোরে মনুংদা ম্যান্মারগী মীওই কয়া এন্সাং-নাপী য়োনবা লাকপদা অথিংবা পীবীদনবা শীনবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

৪শুবা নেচরোপেথি নুমীৎ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): নেচর কিওর এন্দ যোগ হোস্পিটাল, কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায়দা ঙসি মরিশুবা নেচরোপেথি নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিদা উচেক্কোন নোংপোক গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান নোংমাইথেম জাদুমনিনা অথোইবা মীথুংলেন, এস দি সী আইলেন কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পাঙম্বম ইবোহলনা মীফম মপু, নেচর কিওর হোম খুন্দ্রাকপমগী মপু ডা. মাইবম আগ্নী, আয়ুশ পি ঐচ সী সেকমাই এম ও ফুরাইলাৎপম মঞ্জু অমসুং বামোনকম্পু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এন একেশ্বরনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অসি থমচেক মেমোরিএল নেচর কিওর এন্দ যোগ হোস্পিটাল কোংবা অমসুং মুনাল যোগ এন্দ নেচর কিওর যোগ হোস্পিটাল পোরোম্পাৎকা লোয়ননা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

শেলগী মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): হৌখিবা নবেম্বর ৯ অমসুং ১০গী লোন্নবা অহিংদা সেঞ্জম খুনৌ মখা লৌবুক্কী মফম মরিদা পৈদুনা থম্বা ফৌবৈ মৈনা তুম্না থাদোকপীরম্বা অদু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা তাওরেম শ্যামসুন্দর, লাইশ্রম জয়েন্ত, ইরুংবম য়াইস্কুল অমসুং য়ুম্নাম বিদ্যানন্দদা সেঞ্জম খুনৌ দিভেলপমেন্ট ক্লবনা সেঞ্জম খুনৌগী য়ুমথোঙ খূদিংদগী লুপা ১০০/১০০ কন্ট্রিব্যুট তৌদুনা মখোয়গী লৌফমগী মতুংইন্না শেলগী মতেং পাংখ্রে। লোয়ননা ভি দি এ পি সী লৈমখোংনসু লুপা লিশিং ৪গী শেলগী মতেং পাংবীরম্মী। থৌদোক অসিগী মতাংদা লংলা-লংজিল পুথোকপা ঙম্বা মীওইদা ক্লব অমসুং খুঙ্গংগী মীওইশিংনা পুল্লগা রিৱার্দ ওইনা লুপা লিশিং ৭৫ পীরগনি হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা পীরক্লিবা পাউগী লীখুন অদু অরোনবা ওইনা থমগনি হায়না সেঞ্জম খুনৌ দিভেলপমেন্ট ক্লবকী প্রসিদেন্ট টি ইনাওচানা থাদোরকপা চেরোল অমা ফোঙদোরক্লি।

ৱাশক পরে হনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): মালেমগী অপূনবা মৈতে লাইনিং লূপকী লুচিং পুরেল খুমন চাওবা মৈতৈগী লমজিং মখাদা লনকা মশা লোয়শঙনা শীন্দুনা থোইরেলখুলগী মৈত্রম মহেন্দ্র মৈতৈগী শঙ্গাইদা ঙরাং নৌনা মীওই ৩০ রোম মৈতে ঐখোয়গী ইশাগী ইনাৎ লাইনিংদা অমুক হঞ্জিল্লকপগী ৱাশক পরে হনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। লূপ অসিগী লুচিং পুরেলনা মৈতে ঐখোয়গী লৈরিবা লূপশিংগসু পুনশিন্নদুনা চান্ন-চিন্নবা অমত্তা ওইনা পুন্না চৎমিন্নবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি হায়না মালেমগী অপূনবা মৈতে লাইনিং লূপ (এম এ এম এল এল)গী প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবুংঙোনা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়াইথিবী লৌকোলগী খাওবা য়ারবা লৌফম কয়া মেগা ফুদ পার্ক শাবগী মিংদা মাঙ-তাকহনবীরম্লে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): য়াইথিবী লৌকোলগী খাওবা য়ারবা লৌফম কয়া মেগা ফুদ পার্ক শাবগী মিংদা এক্সকাভেটর অমদি বুল দোজর পুশিল্লক্তুনা য়াম্লবা পুলিস অমদি কম্মান্দো পর্সনেল কয়াগা লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টনা মাঙ-তাকহনবীরম্লে হায়না য়াইথিবী লৌকোল ফার্মরস এন্দ লেন্দ ওনর্স দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

য়াইথিবী লৌকোল ফার্মরস এন্দ লেন্দ ওনর্স দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ রোমেন কুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৌপু কয়ানা লৌ খাওবা অমদি য়ৈবা চৎলিবা য়াম্লবা লৌফমশিংদা সিক্যুরিটিশিংনা চঙহনবীদ্রে। মমাঙদা পাল্লম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা লৌকোল অসিদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি থৌরাংলম্বদু ঙসিগী পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্লা মফমসিদা কক্চিং অমসুং থৌবাল এস পিগী মখাদা পুলিস আউট পোষ্ট অমা খুদক্তা হাংগনি লৈঙাক্কী পোলিসী অদু লমদম অসিগী য়াম্লবা মীয়াম্বু হান্না হাৎতোল্লগা আউট পোষ্ট অদু শাবীয়ু। অদুগা ঐখোয়গী য়ুম-য়ুমদসু সিক্যুরিটি ময়াম লৈহনবীয়ু। ঙসিগী পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্তি মণিপুরগী লায়রবা মীয়াম্বু ৱাহল্লগা অপেনবা ওইবা ওইনা তৌরে। মরম অসিনা মীয়াম্না লৈঙাক অসিদা থাজবা থমদ্রে। মমাঙদা পাল্লম্বা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা লৌকোল অসিদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি শাগনি থৌরাংলম্বদু ঙসিগী পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক্লা মফম অসি পোথোক য়াম্না পুথোকপা লৌফমনি, অকুৎপা মফমনি হায়দুনা মফম অসিগী লায়রবা মীয়াম্বু মতেং পাংখিবনি। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈনবদা ঙসিগী লৈঙাক্লা লায়রবা মীয়াম্বু চরা শিৎহল্লগা লৈহনগনি হায়বগী মওংদা চথরক্লিবা থৌওং অসি এসোসিএসন অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

লৌকোল অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ৱাংজিং এ সীগী এম এল এ, তেংনৌপল এ সীগী এম এল এ অমদি কক্চিং এ সীগী এম এল এনা মফমসিগী লায়রবা মীয়ামগী মতেং পাংবীবা অমদি লৌফম কনবগী মহুৎতা মেগা ফুদ পার্ক শাবদা মতেং পাংশিল্লকপা অসি লমদমসিগী মীয়ামগী লাইবক থীবনি। লৈঙাক অসিনা শেমখিবা দি কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ২০১৪ য়াইথিবী লৌকোলদা করিগী চৎনদ্রিবনো। হৌজিক হৌজিকসু মফমসিগী মীয়াম্না লৈঙাক্কী মথক্তা কোর্টতা কেস ফাইল তৌদুনা লৈরিবনি। অসিগুম্বা কেস লৈরিবা মফমসিদা মেগা ফুদ পার্ক শাবগী লৈঙাক্লা নম্ফুন্দা চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি লমদমসিগী মীয়াম্না অমুক্তং খন্থবীরগা মফমসিগী লায়রবা মীয়াম অমদি লৌফম অসিবু কনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়না আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা এম টি য়ুগী ভি সী হাপখিবা লাইবক থীবনি : মহৈরোয় লূপশিং

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু)গী ভি সী হাপখিবা লাইবক থীবনি হায়না মহৈরোয় লূপশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)কী প্রসিদেন্ট সাইখোম প্রেমচান্দ, ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী প্রসিদেন্ট ঐচ চলাম্বা, দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী প্রসিদেন্ট এন ইদিসন মৈতৈ, কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী প্রসিদেন্ট বিদ্যানন্দ, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)গী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিদ্যাসাগর অমসুং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী প্রসিদেন্ট এন ধনকুমার মৈতৈনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি (এম টি য়ু)গী চাঞ্চেল্লরসু ওইরিবা মণিপুরগী গভর্ণরনা হৌখিবা নবেম্বর ৮দা ওর্দর অমা থোক্তুনা এম টি য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর (ভি সী) হাপখিবা অসি মতম-মতমগী য়ু জি সীনা পীবা ইসেন্সিএল ক্বালিফিকেসন শুবা মীওই অমা ওইরম্লবদি এইমস, এমসু, দেসাম, কে এস এ, এম এস এফ অমসুং সুকনা তরাম্না ওক্লমগদবনি। অদুবু ভি সী ওইনা হাপখিবা মীওই অসি য়ু জি সী রেগ্যুলেসন ২০১৮গী সেক্সন ৭.৩না পীরিবা ভি সী ওইগদৌরিবা মীওই অদু য়ামদ্রবদা য়ুনিভর্সিটি অমদা চহী ১০ প্রোফেসর ওইরকপা নৎত্রগা মমিং চৎপা রিছার্স/একাদেমীক এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওর্গনাইজেসন্দা মশক মমিং লৈরবা একাদেমীক লিদর ওইগদবনি। হায়রিবশিং অসিগী ওন্ন-তৈনবদা এম টি য়ুগী অনৌবা ভি সী ওইনা খল্লিবা মীওই অসি তাকয়েলদা লৈবা গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক্কী এসোসিয়েট প্রোফেসরনি। অদুগা হৌজিক্লা দেপ্যুটেসনদা দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইনা কন্ট্রোল্লর ওফ টেক্নিকেল এদ্যুকেসন ওফিস, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরদা থবক তৌরিবা মীওইনি। মহাক হান্নসু গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক তাকয়েলগী ইন-চার্জ প্রিন্সিপাল ওইনা কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী ২১দা হাপ্লুরবনি। অদুবু মহাক এ আই সী টি ঈগী নোর্ম মতুংইন্না প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইবগী ক্বালিফিকেসন শুদে হায়দুনা মণিপুর হায় কোর্টনা মহাকপু প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইহনখিদে। গভর্ণমেন্ট পোলিটেক্নিক্তা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ ওইহনবা য়াহনখিদ্রবা মীওই অমা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী মতৌ করম্না ওইহল্লিবনো হায়বসি মীয়াম্না হংনরিবা ৱাহংনি।

কুমজা ২০১৬তা লিংখৎখিবা এম টি য়ুদা মণিপুরগী মীয়াম্না মরুওইনা নহাশিংনা থমখিবা থাজবদি য়ুনিভর্সিটি অসিনা টেক্নিকেল এদ্যুকেসনগী লমদা অনৌবা মায়ওন অমা পীবীদুনা লম অসিদা অৱাংবা থাক্কী রিছার্স চথদুনা টেলেন্ট লৈরবা লমদমসিগী নহাশিংবু মালেমগী থাক্তা চাংদম্নবদা নোপতবা ওইরগনি হায়বসিনি। অদুবু য়ুনিভর্সিটি অসিদা মরম চাদবা রেগ্যুলর ভি সী হাপচিল্লকপা, রেজিষ্ট্রারনচিংবা মরুওইবা পোষ্ট কয়া রেগ্যুলর পোষ্ট ওইনা লৈতবা অসিনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা থল্লম্বা থাজবা মাঙথরকপগী মরম ওইরি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীনবা মহৈরোয় লূপ তরুক্কী মায়কৈদগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। অসুম্না মরম চাদবা মীওইশিংদা য়ুনিভর্সিটিগী ভি সীগুম্বা অৱাংবা থাক্কী এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসনশিংগী পোষ্টশিং পায়হল্লবদি মণিপুরগী এদ্যুকেসন সিষ্টমদা নেগেটিভ অমা পীরক্তুনা মালেমগী থাক্তা চাংদম্নবা হ্যুমেন রিছোর্স থোরক্তুনা মীমান্নবা ঙমদ্রবা ফুরুপ অমা ওইহল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অসিনা থোকখিবা ওর্দর অসি রিভিয়ু তৌবীদুনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং রি-চেক তৌবীনবা মণিপুরগী গভর্ণরদা চেরোল অমসু পীশিল্লগনি। লৈঙাক্লা দিপার্টমেন্ট অসিগী ট্রান্সফর পোষ্টিং পীবদা মহৈরোয়শিং লূপশিংনা খুৎ থিংজিনবগী ৱাফমদি লৈতে। অদুবু মরম চাদবা মীওইশিংদা য়ুনিভর্সিটি অমগী ভি সীগুম্বা য়াম্না মরুওইবা ফমশিং পীশিল্লকপদদি মহৈরোয়শিংনা তুমীন্না য়েংদুনা খক লৈথোক্লোই হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ট্রেদ ফেয়র

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল ট্রেদ ফেয়র কোরোনা লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী অমা লেপ্পুরবা মতুংদা হন্দক চহীগী ওইনা পাঙথোকখ্রে। ন্যু দেল্লীগী প্রকৃতি মৈদানদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল ট্রেদ ফেয়রগী ঙরাং মণিপুর দেগী থৌরমদা মণিপুর লৈঙাক্কী সেরিকলচর দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা মুগাগী প্রদক্তশিং ওইরিবা মুগা ফি প্রমোট তৌবা ওইনা ফেসন সো অমা উৎখি। ফেসন সো অদুগী সো ষ্টোপরনা মোদেল অমসুং সোসল এক্টিভিষ্ট ময়াংলম্বম দাইনানা ওইখি হায়রি।

‘ওটো দ্রাইভরশিংদা হরাসমেন্ট পীবগী থবক লেপকন্দবনি’

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরুবা তুংদা খরা শাফরকপগা এম বি আই অমদি ট্রাফিক পুলিসশিংনা ওটো দ্রাইভরশিংদা টেক্স থিগদবনি হায়না ঙাইহাক লৈতনা হরাসমেন্ট পীবা অসি লেপ্পীয়ু হায়না এসোসিএসন ২৭ কী এপেক্স বোদি ওইরিবা অপূনবা ওটো দ্রাইভর ওনর এসোসিএসন থৌবালগী জেনরেল সেক্রেটরি নিংথৌজম জিবোননা মরী লৈনবশিংগী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

থৌবাল কৈথেলদা লৈবা ওটো পার্কিংদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউজী মীফম অমদা নিংথৌজম জিবোননা হায়খি, কুমজা ২০১৯দগী কোভিদ-১৯ লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈঙাক্লা থমখিবা লোকদাউননা মরম ওইরগা মীয়ামগী থৌগল তৌজরিবা ওটো দ্রাইভরশিং শুফম-নোম্ফম খঙদনা তুম্বা মচেং, চাবা মচেং য়াম্না ৱানা লেল্লকখি। হন্দক খরা কোমথোরকপা অমদি থাউজী মমল খরা হন্থরকপদা ওটো দ্রাইভরশিং হরাওজখি। অদুবু এম বি আই অমদি ট্রাফিক পুলিসশিংনা ওটো দ্রাইভরশিং খাল্লগা ঙাইহাক লৈতনা টেক্স থিগদবনি হায়না চেক তৌদুনা হরাসমেন্ট পীবগী থবক অসি খুদক্তা লেপকন্দবনি। পার্কিং টেক্স, পেসেঞ্জর টেক্স, টৌকন টেক্সনচিংবা টেক্সশিং অসি থিবদা ওটো দ্রাইভর অমনা লুপা ৭০০০/৮০০০ রোম তাই। হায়রিবা শেনফমশিং অসি ওটো দ্রাইভরশিংনা থিবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈতে। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর, ট্রান্সপোর্ট মিনিষ্টর অমদি দিরেক্টরনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা ওটো দ্রাইভরশিংগী অৱাবা কোকহনবীয়ু। করিগুম্বা মখা তানা ওটো দ্রাইভরশিংদা হরাসমেন্ট পীরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং দ্রাইভ তৌরিবশিংনা পুজগদবনি হায়না নিংথৌজম জিবোননা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হৈরোক্তা স্কুল শাদনা শেল কায়থোকখিবা মতমদা চ্যেরমেন ওইখি হায়বা ৱাফম অরানবনি : বিকোমদাস

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): হৈরোক এসেম্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা ইঙাংলোক মচা, ইঙাংলোক অচৌবা অমসুং মেলৈ তম্পাক্তা স্কুল শুংশা শাদনা শেল লৌথোকখ্রে হায়দুনা এমসুগী ইচিল-ইনাওশিংনা মীদিয়াদা থল্লকপা ৱাফম মতমদুগী শেল লৌথোকখিবা অদুদা দি আই ওফ স্কুল তেকচম বিকোমদাস মৈতৈনা চ্যেরমেন ওইখি হায়বা ৱাফম য়াওরকপা অসি লাইবক থীবনি হায়রদুনা এমসুনা থিজিনবদা অমদি রিপোর্ট লৌবীবদা অশোয়বা খরা য়াওরে হায়না তেকচম বিকোমদাস মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ৱাংজিংদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা বিকোমদাসনা মখা তানা হায়, মেলৈ তম্পাক হায়রিবা মফম অসিদা স্কুল শুংশা শাদনা শেল লৌথোকখিবা মতম অদুগী এম এস দি সীগী চ্যেরমেন অসি এ আই মাইবম মংলেমনা ওইবনি অদুগা ইঙাংলোক মচাগীসু মতমদুগী চ্যেরমেন অসি ও কেসো কৌবা অমনা ওইবনি। স্কুলশিং অসিগী মরী লৈনবা দোকুমেন্ট খূদিংমকসু মঙোন্দা লোইনা লৈগনি হায়রদুনা করিমত্তা ওইদবা ঐগী মিং য়াওশিল্লকপসি ঐগী ওইনা লাইবক থীবনি অদুগা এমসুগী ওইনসু লাইবক থীবনি হায়খি।

বিকোমদাসনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০১২-১৩ দদি মহাক্লা সিভিল ৱার্ক্স পায়জদ্রি। মহাক্তি কুমজা ২০১৪দগী ইঙাংলোক অচৌবগী চ্যেরমেন ওইনা পায়রকখি। মহাক্লা চ্যেরমেন ওইনা পায়রল্লবা ইঙাংলোক মচাগী স্কুল অসিদি হৌজিক হৌজিকরুম ৬ শাদুনা লৈরি অদুমকপু লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি হায়রদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ঐনা চ্যেরমেনসু ওইদবা স্কুল ২সু শেল কায়খ্রে হায়বসি য়াম্না নুংঙাইতে। অথুবদা থিগৎপীদুনা মতিক চাবা চৈরাক অদু ফংহনবীয়ু হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা ইঙাংলোক মচাগী এস এম দি সী মীহুৎ কে ঐচ হেমন্তনা হায়খিবদা, ইঙাংলোক মচাগী স্কুল অসি স্কুলশিংনা পুন্দুনা হিংনবা য়াম্না কন্না হোৎনবনি। অদুবু ইঙাংলোক মচাগী স্কুল শাবদা থৱায় য়াওনা হোৎনখিবা টি ঐচ সুবোল, এল জিবন অমদি কে ঐচ প্রেমকুমার মখোয় অহুমবু ইঙাংলোক অচৌবগী স্কুল শুংশা শাদনা শেল লৌথোকখ্রে হায়দুনা মিং পকশিল্লকপা অমদি ইঙাংলোক মচাগী ৱানা হোৎনজরিবা মীশিং অসিবু ইঙাংলোক অচৌবগী স্কুল শাদবগী লিষ্টতা হাপচিল্লকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়রদুনা মতুংদসু মীয়ামদা অরানবা পাউ থন্বীগনু, অচুম্বা পাউ থন্বীয়ু হায়খি।

রঘুমনিনা উরিপোক এ সীগী মীয়ামগা ইন্টরেক্সন তৌবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএন এস): লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্ব্লীগী মীখলদা মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা রিটায়র্দ আই এ এস ওফিসর খ্বাইরাকপম রঘুমনিনা উরিপোক এ সীগী য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চৎতুনা মীয়ামগা ইন্টরেক্সন তৌবা হৌখ্রে।

উরিপোক এ সীগী মনুং চনবা উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়গী এরিয়াদা লৈবা য়ুমথোঙ ৩৫০ রোমদা চৎতুনা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা, মতৌ করম্না উরিপোক এ সীবু হেন্না চাউখৎপা পুরক্কদগে অমদি ইমুং খূদিংমক্কী শেন্থোক লন্থী মতৌ করম্না ফগৎহনবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ইন্টরেক্সন তৌদুনা খন্নখি হায়রি।

য়ুমথোঙ কয়াগী মীয়াম্না মহাক্কী মফমদা তৌহন্নিংবা ৱাফম কয়া থল্লকপগা লোয়ননা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবসু রঘুমনিগী মায়কৈদগী পীখি। লোয়ননা কে ঐচ রঘুমনি অমসুং মহাক্কী টিমগী মায়কৈদগী অয়ুক্কী ব্রেক ফার্ষ্টসু য়েন্থোকখি।

অমরোমদা, উরিপোক এসেম্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৩৫দা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা চথরিবা মাস কোভিদ ভেক্সিনেসনগী সেন্টরশিংদা রিটায়র্দ আই এ এস, খ্বাইরাকপম রঘুমনিনা চৎতুনা হেল্থ ৱার্করশিং অমদি মেদিকেল টিমশিংনা কোভিদতগী মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা কথোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিংবু পূক্লিং থৌগৎখিবগা লোয়ননা মাস্ক, সেনিটাইজর অমদি থক্লবা ঈশিংনচিংবা য়েন্থোকখি।

ঈ-শ্রম কার্দ অমদি আয়ুশমান ভারত হেল্থ কার্দ শাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএন এস): ওইনাম এ সীদা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা এসেম্লী ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইনবা শেম-শারিবা বি জে পি কিষান মোর্চাগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা কে ঐচ জিবোনগী মীৎয়েং মখাদা মীয়ামগীদমক ঈ-শ্রম লেবর কার্দ অমদি আয়ুশমান ভারত হেল্থ কার্দ শেম্বগী থৌরমগী মখা চথরকপা ওইনা ঙসি ওইনাম উশাখংদবী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ওইনামগী ৱার্দ নম্বর ১দগী ৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংগীদমক থা অসিগী ১৪দগী হৌনা লমদম অসিগী চাউরাক্লা মীওই লিশিং ৫ রোমদা কান্নবা ফংহন্নবা পান্দমদা চথরকপনি। ঙসি অসিনা ওইনাম ৱার্দ নম্বর ১দগী ৯গী অরোইবা নুমীৎ ওইগনি।

থৌরমগা মরী লৈননা ইন্টেনিদং কেন্দিদেট কে ঐচ জিবোননা ফোঙদোকখিবদা, এ সী অসিগী শোখনা লৈহৌরবা মীয়ামগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরগী লমজিং মখাদা আয়ুশমান ভারত হেল্থ কার্দ অমদি লেবর এন্দ ইমপ্লোয়ী মিনিষ্ট্রিগী মখাদা ঈ-শ্রম লেবর কার্দ অসি লেপ্তুনা শাবগী থবক অসি চথবনি। তশেংবদি খুঙ্গংগী শোথহৌরবা মীয়ামদদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসিগী কান্নবা অসিগী মতাংদা কা হেন্না খঙদবগুম তৌরি। মরম অদুনা মীয়ামদা এৱেনেস পীবা ওইনা থৌরম অসি চথবনি। মখা তারকপা ওইনসু এ সী অসিগী মফমশিংদা ইলেক্সনগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্ত্রিঙৈদা ৱাৎহৌরিবা খুঙ্গং ১৩দা চৎতুনা মীয়ামদা খুদোংচাবা অসি ফংহল্লগনি হায়খি।

ট্রাইবেল আর্টকী ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ট্রাইবেল আর্ট অমসুং পেন্টিংগী স্কিল অপগ্রেদেসন/কেপাসিটি বিল্ডিংগী ওইবা নবেম্বর ১৬তগী চথরকখিবা নুমীৎ হুম্নীগী ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপ ঙসি লোইশিনখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্সকী সপোর্টকা লোয়ননা অজাদি কা অমৃত মহোটসব সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদু ট্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুটনা ইম্ফাল আর্ট কোলেজগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডা. ভি হাওকিপনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্স অমসুং মিনিষ্ট্রি অসিগী ওফিসলশিংবু ট্রাইবেল রিছার্স ইন্সটিট্যুট, মণিপুরদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্লা ট্রাইবেল আর্ট অমসুং পেন্টিংগী লমদা পীরিবা করিয়র এদভান্সমেন্টকী তোঙান তোঙানবা খুদোংচাবশিংদা মীৎয়েং চিংশিনখি। অজাদি কা অমৃত মহোটসব সেলেব্রেসনগা মরী লৈনবা এক্টিভিটিশিং অদু নুমীৎ হুম্নী চপ্পা চথগদবা পোট্টরি এন্দ ক্লে মোদেলিংগী স্কিল অপগ্রেদেসনন কেপাসিটি বিল্ডিংগী ওইবা ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপ লোইরবা মতুং নবেম্বর ২২দা লোইশিনগনি।

ঐচ আই ভি/এইদসকী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটি (মেক্স) ইম্ফালগী স্পোন্সরশিপ মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিট (দি এ সী পি য়ু) থৌবালনা শীন্দুনা টেষ্ট, ট্রিট এন্দ পোজিটিভ প্রিভেন্সন ফোর পার্সন্স ৱিথ লিভিং ঐচ আই ভি (পি এল ঐচ আই ভি) হায়বা হীরম অসিদা নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৱার্কশোপ অমা ঙসি চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবালগী কমপ্লেক্সতা লৈবা নেসনল হেল্থ মিসন থৌবালগী ট্রেনিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদুদা দিষ্ট্রিক্ট এইদস কন্ট্রোল ওফিসর, দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিট থৌবালগী ইন-চার্জসু পুরিবা সী এম ও থৌবাল ডা. ৱাই নোকুলনা চ্যেরমেন ওইনা শরুক য়াখি। দি এ পি সী য়ু থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট সুপরভাইজর টি ঐচ ওপেনকুমার, ভি আই ঐচ এ এন প্রোজেক্টকী হেল্থ প্রোমোটর পি সনধ্যারানি, আই টি ঈ সী ঐচকী কাউন্সেল্লর মিনারানিনচিংবনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়ারদুনা ঐচ আই ভি, টেষ্ট, ট্রিট এন্দ পোজিটিভ প্রিভেন্সন ফোর পি এল ঐচ আই ভি হায়বসিগী মতাংদা শন্দোক্লা ৱাফমশিং থমখি।

সী এম ও ডা. ৱাই নোকুলনা ঐচ আই ভিনা শাগোন্নদুনা লৈরিবা (পি এল ঐচ আই ভি)শিংবু মখোয়না পূক্লিং ৱাখল শোন্থবা হন্থবা তৌদনা করম্না ঐচ আই ভিদগী ঙাকথোক্কনি, করম্না লৈগনি হায়বা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎপগীদমক পূক্লিং থৌগৎখি অমদি ঐচ আই ভি (এইদস) অসিদগী ঙাকথোক্লবা ঐখোয়না করম্না থেংনগদগে হায়বা ৱাখল্লোন কয়া অমসু শরুক য়ারিবশিংগী মফমদা শন্দোক্লা থমখি।

নুপা অমসুং নুপী ৩০ রোম্না শরুক য়াখিবা ঙসিগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ৱার্কশোপ অদুদা ইন্টরেক্সনগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

লৈঙাক্লা পীবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা স্কুলশিং হাংলিব্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্লা ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী ওইনা স্কুল হাংবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্লা পীরিবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা স্কুল হাংলিব্রা হায়বদু য়েংশিল্লগনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী জেনরেল সেক্রেটরি হিজম রোসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা নবেম্বর ৯দা মণিপুর লৈঙাক্লা ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী ওইনা স্কুলশিং, কোলেজশিং অমদি য়ুনিভর্সিটি হাংবদা অয়াবা পীখিবা অদু এম এস এফনা তরাম্না ওকই। স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি হাংবদা এস ও পি অমদি গাইদলাইন থমদুনা ক্লাস তৌগদবনি চহী অমা মখায় হেন্না কোভিদকী চৈথেংনা হীরম খূদিংমক্তা মীয়াম্বু শোকহনখিবা অসিনা মরম ওইরগা মীওই খূদিং ৱানরিবনি। চৈরক অসিদা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন পুম্নমক অমুক হন্না হাংদোকহনবা অসিদা লৈঙাক্লা হায়না খঙহনখিবা অদু য়াম্না ফৈ। অদুবু লৈঙাক্কী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল টাস্ক ফোর্স অমা শেমখিবা হায়খিবা অদু শেমদবগী মমি তাই। মরম অসিনা হায়রিবা ৱাফম অসি লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু।

লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা ওজাশিং, নন-টিচিং ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়শিংগীদমক দিষ্ট্রিক্ট খূদিংদা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা ট্রিটমেন্ট ফ্রী ওফ কোষ্টতা অমদি টেষ্টিংসু ফ্রী ওফ কোষ্টতা থমগদবনি। ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংদা করিগুম্বা কোভিদকী লায়ওং অসি হেক উৎলকপা মতমদা হেন্না খুদোংচাবা ওইননবা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্কী এম্ব্যুলেন্স সর্ভিস তৌননবা গাড়ী ৩/৪ থম্বীগদবনি। চৈথেংনা হীরম খূদিংমক্তা মীয়াম্বু শোকহনখিবা অসিনা মরম ওইরগা মীওই খূদিং ৱানরিবনি। চৈরক অসিদা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন পুম্নমক অমুক হন্না হাংদোকহনবা অসিদা লৈঙাক্লা নুমীৎ ২০নি খূদিংগী আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌগনি হায়বসি রেন্দম টেষ্টিংদা ওইনা তৌবীগদবনি। লৈঙাক্কী নোটিফিকেসন অসিগা মরী লৈননা হয়েংদগী এম এস এফকী দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি খূদিংমক্লা ইন্সটিট্যুসনশিং য়েংশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পনবা য়াবদি, লৈঙাক্লা স্কুলশিং হাংবগী অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা স্কুল কয়া নৌনা হাংদোরক্তুনা ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ভ ফাওবগী ওফ লাইন ক্লাসশিং হৌনখ্রবনি।

জে এ সী : সী বি আইনা অমুক হন্না ইনভেষ্টিগেসন তৌগদবনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): নিংথৌজম বেবিসনা মীশিগী মতাংদা জষ্টিস ফংহন্দুনা মীশি অসিদা চেন্নবা মীওইশিং চৈরাক ফংহন্ননবা সী বি আইনা অমুক হন্না ইনভেষ্টিগেসন তৌগদবনি হায়না জে এ সীগী কনভেনর এল গ্যানেশ্বরী লৈমনা ফোঙদোরক্লি।

থাংমৈবন্দদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা এল গ্যানেশ্বরীনা হায়খি, বেবিসনা মীশিগী কেস সী বি আই কোলকাটানা পায়রবা মতুংদা হৌখিবা কুমজা ২০২১গী মার্চ ৩দা সী বি আই কোলকাটানা সী জে এম ইম্ফাল ৱেষ্টতা থাগৎলকখিবা ইনভেষ্টিগেসন রিপোর্ট অদু নবেম্বর ১৬তা হিয়রিং চথরবা মতুংদা সী জে এমনা রিপোর্ট অদু রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথননবা অমদি দি এন এ প্রোফাইলিং তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে। কেস অসি মপুকচেল শেংবা অচুম্বা চৎপা ওফিসরশিংনা পায়হন্দুনা থিগৎহনগদবনি। একুজশিং অমদি ৱিটনেসশিংগী ষ্টেটমেন্ট লৌবা মতমদা অচুম্বা রিপোর্ট ফংনবগীদমক ইচম চম্না লৌবীগনু। মথৌ তাবা খুৎশু-খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা অচুম্বা ষ্টেটমেন্ট লৌননবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

মণিপুরদা অমুক হন্না মীহাৎ-মীপুনগী থৌদোক থোক্তনবা হন্দক্তি লৈখিদ্রবী মহৈরোয় বেবিসনাগী মীশি অসিগী জষ্টিস ফংহন্দুনা মীহাৎপশিংবু মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্ননবা সী বি আইনা অচুম্বা ইনভেষ্টিগেসন চথবীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা জে এ সীগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি।

উচেক হাৎপীব্রা হায়না লৌসিপাৎতা দ্রাইভ চথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ককচিং রেঞ্জ অমসুং থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জগী ষ্টাফশিং লোয়ননা রেঞ্জশিং অসিগী মখাদা বিট ওফিসশিংগী ষ্টাফশিং য়াওনা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মনুং চনবা লৌসিপাৎতা ঙসি অয়ুক অখন্নবা দ্রাইভ চথখ্রে।

পল্লেল বি ও, এম দি সল্লাওদ্দিননা ফোঙদোরকপদা, নিংথম থা চঙলকপসিদা উচেক লাংশিং থাক্তুনা উচেক ফাবশিংগী মখুৎতগী লমকোয় উচেকশিং কন্নবা পান্দমদা ঙসিগী দ্রাইভ অসি চথবনি। লৌসিপাৎকী অকোয়বদা কনাগুম্বা খরনা নুমীদাং অমদি অঙনবা অয়ুক্তা নোংমৈ কাপ্তুনা উচেকশিং হাৎলে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসিগী অখন্নবা দ্রাইভ অসি চঙশিনবনি। লৌসিপাৎতা লৈবীরিবা লৌতাংশঙশিংদা ষ্টাফশিংনা চঙ-চঙদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথখি। অদুমকপু উচেক হাৎপা য়াবা খুৎলায়শিংদি ফংখিদে হায়খি।

পাৎতা লৈবীরিবা কনাগুম্বশিংনা মফমশিং অসিদা চাক্তাবা লাক্লিবা উচেকশিংবু লাং থাক্তুনা ফাবা, নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপীবনচিংবশিং অসি তৌবীগনু হায়না মীয়ামদা আপীল তৌরদুনা কনাগুম্বশিংনা উচেক লাং থাকপা অমদি হাৎপা উরবদি মনাক নকপা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টশিংদা পাউ পীবীয়ু। লন্নক্কী উচেকশিংবু কনমিন্নসি হায়খি।

ঙাকিজৌ য়োকপগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচ এন এস): ন্যু এজ গ্লোবেল, নোংদম, ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা লমদম অসিদা লৈরিবা নহা ওইরিবা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংদা মতৌ করম্না ঙাকিজৌ য়োক্কদগে হায়বগী মতাংদা ট্রেনিং অমা ঙসি ন্যু এজ গ্লোবেল গার্দেনগী নোংদম ভিলেজদা লৈবা ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ট্রেনি ২২না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ন্যু এজ গ্লোবেল গার্দেনগী মপু আন্নন তখেল্লম্বমনা মতৌ করম্না ঙাকিজৌ য়োক্কদগে হায়বগী মরমদা ট্রেনিশিংদা তাকপী তম্বীখি। অন্নান তখেল্লম্বমগী ব্রান্দ ন্যু এজ গ্লোবেল গার্দেননা শীন্দুনা হন্দক মণিপুরগী য়েলহৌ ঙা কয়া মাঙশিল্লকপা অসি অমুক্কা হেন্না মরাং কায়না ফংহন্নবগী পান্দমদা ঙসিদি ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

আন্নন তখেল্লম্বমনা ফোঙদোরকপদা, ঙাকিজৌ অসি মণিপুরদগী মুৎখিবগা পাঙ্খক ওইশিল্লক্লে। অদুবু ঙসিদি মণিপুরদা ঙাকিজৌ মরাং কায়না ফংহনবা ঙল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি অমদি মণিপুর মীয়াম পুম্নমক্কসু মতেং পাংবীনবা ঙাকিজৌ কনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি। আন্নননা মখা তারদুনা হায়, উমোরোকপু ঙসি লমদম অসিদা নাগা মির্চ হায়না খঙনখিবদা মণিপুরগী মীয়াম্না পেন্নদবা ফাওখিবগুম ঙাকিজৌ হায়রিবা য়েলহৌ ঙা অসিদি মীতোপকী নত্তে। মণিপুরগী য়েলহৌ ঙানি হায়না মালেমগী মীয়ামদা খঙহনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।